# মিদ্দল ইষ্টতা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গীদমক কটারনা শেম শাবা লোইখ্রে




## নুমিৎ ৫৬নিগী মতুংদা মীয়ামগী লাংতক্নবা কোকহল্লগনি

মালেমগী মফম খুদিংগী চিদাইদা মীয়াম্না পাম্না শান্নরিবা ফুটবোল মশান্নগী মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইরিবা থাবুম অমা চূপ্না নভেম্বর ২০দগী হৌদুনা দিসেম্বর ১৮ ফাওবা চত্থগদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ মিদ্দল ইষ্টতা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক কটারনা শেম শাবা পুল্লোই লোইখ্রে।

কটার লৈঙাক্কী অচৌবা মতেংগা লোয়ননা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মেগা ইভেন্ট অসিবু য়েংবা লাক্কদৌরিবা ভিজিটরশিংদা মখোয়না থাজবগী ৱাংমদা খ্বাইদগী ফবা ফেসিলিটিশিং পীনবা শেম শাখ্রে।

মেগা ইভেন্ট অসিবু য়েংবা লাক্কদৌরিবা মীয়ামদা ফুটবোল খক নৎতনা কটারগী লোকল কম্ম্যুনিটিশিংগা উনহন্দুনা লৈবাক অসিগী তোপ-তোপ্পা অমদি ইনাকখুল্লবা কলচরবুসু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগদৌরি। মসিদা নৎতনা পূন্সিদা অমুক্তং ফংবা এক্সপরিয়েন্স ওইহৌরগদবা দেজ ৰ্ট কেম্পিংনচিংবসু পাঙথোক্কদৌরি অমদি ভিজিটরশিং হেন্না খুদোংচানবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা চহী ১৮ অমদি মথক্কী ওইবা ইংলিশ নীংথিনা ঙাংবা হৈবা ভলন্টিয়র কয়া অমসু খনখ্রে।

কটারগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা নীংথিনা শেম শারবা ষ্টেদিয়ম ৮দা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসি পাঙথোক্কদৌরি। ষ্টেদিয়ম ৮গী মনুংদা তরেৎ অমদি ফুল্লি এয়র কন্দিসন ওইরি। ষ্টেদিয়মশিং অদুদি কটারগী অল ৱাকরাহদা লৈবা মীওই ৪০,০০০গী কেপাসিটি ওইবা অল জানোব ষ্টেদিয়ম, অল খোরদা লৈবা মীওই ৬০,০০০ চনবা অল বেইট ষ্টেদিয়ম, অল রেয়ানদা লৈবা মীওই ৫০,০০০ চনবা অহমদ বিন অলি ষ্টেদিয়ম, অল রেয়ানদা লৈবা মীওই ৪৫,৩৫০ চনবা এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়ম, অল থুমানাদা লৈবা মীওই ৪০,০০০ চনবা অল থুমানা ষ্টেদিয়ম, দোহা রাস অবু অবোদতা লৈবা মীওই ৪০,০০০ চনবা ষ্টেদিয়ম ৯৭৪, দোহাদা লৈবা মীওই ৪৫,৪১৬ চনবা খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়ম (নেসনল ষ্টেদিয়ম) অমদি লুসেলদা লৈবা মীওই ৮০,০০০ চনবা লুসেল আইকোনিক ষ্টেদিয়মনি।





*ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২গী ওফিসল মাসকোট "লা'ইব" (ওই), ওফিসল মেটচ বোল "অল রিহলা" অমদি "ৱিন্নর্স ট্রোফি" (য়েৎ)*



*২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ওপনিং মেটচ শান্নগদৌরিবা কটারগী অল খোরদা লৈবা "অল-বেইট" ষ্টেদিয়ম*

কটার ২০২২ মেগা ইভেন্ট অসিদা ফুটবোলগী অনৌবা জেনরেসনগী সুপরষ্টার কয়ানা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবশিং উৎনবা হোৎনগদৌরি অদুগা লিওনেল মেসি, ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্দো অমদি গেরেথ বেলনচিংবনা চহীগী খেন্নবা লৈতে হায়বগী খূদম পীদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মায় পাক্লবা শান্নগদৌরি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২গী ওফিসল মেটচ বোল 'অল রিহলা' (অরাবিক লোলদা খোঙচৎ) হায়না মিংথোনবা অসি চহী অসিগী মার্চ ৩০দা এদিদাসনা মায়খুম হাংদোকখি। কটারগী অর্কিটেকচর, আইকোনিক বোটশিং অমদি ফ্লেগনা ইন্সপায়র তৌবা বোল অল রিহলাগী য়োনবগী মমলগী শেনফমগী চাদা ১ মালেমদা হিংলিবশিংগী য়াইফনবগী ফন্দ পীবা টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৯২গী পুৱারীদা অহানবা ৱর্ল্ড কপ বোল ওইরি।

ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২গী ওফিসল মাসকোটনা "লা'ইব" অদুগা "হেয়া হেয়া" (অপূনবনা য়াইফরে) হায়বা অসিনা ওফিসল থিম সোং ওইরি। ঈশৈ অসি য়ু এসকী ষ্টার ট্রিনিদেদ কার্দোনা, দেভিদো অমদি কটারগী সেন্সেসনেল সিঙ্গর আইশানা শরুক্কদৌরি।







ফিফা মেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২২ অসিদা পূন্না টিম ৩২না গ্রুপ ৮ থোক্তুনা শরুক য়ারি। গ্রুপ এদা যূম্নু টিম ওইরিবা কটার, ইক্বেদোর, সিনেগাল অমদি নেদরলেন্স; গ্রুপ বিদা ইংলেন্দ, আই আর ইরান, য়ু এস এ অমদি ৱেলস; গ্রুপ সীদা অর্জেন্টিনা, সাউদি অরাবিয়া, মেক্সিকো অমদি পোলেন্দ; গ্রুপ দিদা ফ্রান্স, অষ্ট্রেলিয়া, দেনমার্ক অমদি টুনিসিয়া; গ্রুপ ঈদা স্পেন, কোষ্টা রিকা, জর্মনি অমদি জপান; গ্রুপ এফতা বেলজিয়ম, কেনাদা, মোরোকো অমদি ক্রোএসিয়া; গ্রুপ জিদা ব্রাজিল, সর্বিয়া, স্বিটজরলেন্দ অমদি কেমেরুন; গ্রুপ ঐচতা পোর্টুগল, ঘানা, উরুগুৱে অমদি কোরিয়া রিপব্লিকনা শরুক য়ারি।

মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা যূম্নু কটার অমদি ইক্বেদোর অনীনা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা নভেম্বর ২০গী নুংথিল পুং ৩.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

---

### কিশোর কুমার ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

## দি ৱাই এনা পি এস ৱাই সী অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা ১৯শুবা কিশোর কুমার ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ঙসি লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা দিভলপমন্টে য়ুঠ এসোসিএসন (দি ৱাই এ) এলাংখানপোকপীনা ফুনাল শান্মুং য়ুঠক্লব (পি এস ৱাই সী) ফুনাল মরিংবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ফুনালগী মেদেকনা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা দি ৱাই এগী অহানবা গোল ওইবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এস বোরিশনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। দল্লিয়ু শ্যামচন্দ্রনা গোল ১গা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা হাপচিন্দুনা দি ৱাই এনা ফুনাল টিমবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা সেথোটনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা ফুনাল টিমগী অহানবা গোল চনশিন্দুনা স্কোর ৩-১দা লৈহনখি। ফুনালগী এম এন্দ্রেনা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীনবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী দি ৱাই এনা পি এস ৱাই সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি তেলেন রাজেশ কোমনা দি ৱাই এগী এ য়োহেনবা, আইইনাও অমদি ফুনালগী এম এন্দ্রে শান্নবগী ২৯, ৪৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা কে কে ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট নাওরেম ধনেনা অথোইবা মীথুংলেন, দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা থৌরম মপূ অমদি কে কে ট্রষ্টকী সেক্রেটরি এম রানিদাসনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৭না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ২৬তা মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবদা এস এফ সী সুগ্নু অমদি এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অদুগা অনীশুবদা য়ু সী সী ককচীং অমদি এস দি ও পল্লেল শান্নরগনি।

### দি এফ এ থৌবাল থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

## সী ৱাই এস এ অহৌবা মেটচ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা সী ৱাই এস এ খাঙবোকনা এস এফ সী সলুংফমবু ৩-২দা অহৌবা নুমিৎকী গ্রুপ এগী মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

খাঙবোক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম দি মুকিপ, এম দি সামস খান অমদি এন বিকিনা শান্নবগী ২০, ২৬ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা চনখি। এস এফ সীগী গোল অনী অদুনা টি ঐচ বোরিশ অমদি এম নিরঞ্জননা শান্নবগী ১৪ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি রোবিনসননা খাঙবোক্কী শান্নরোয় ২ অরিবম সাগর অমদি এল থোইববু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু এম এফ সী মোইজিং অমদি সনা এফ সী থৌবাল ৩-৩দা দ্রো ওইখি। য়ু এম এফ সীগী গোলশিং অদু এম দি অতিকনা পেনাল্টিগী মতেংদগী শান্নবগী ৩ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি এম দি রমিশ খাননা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি। সনা এফ সীগী গোলশিং অদুনা শিতল, কাজিপমি অমদি কুমারর্জিৎনা শান্নবগী ১৬, ২৫ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি।

## রোশনগী হেটট্রিকনা এন জি ৱাই দি সীনা ৱাই দল্লিয়ু এ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): ঐচ রোশননা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা এন জি ৱাই দি সী ঙাকচৌপোকপীনা ৱাই দল্লিয়ু এ নিংথৌখোংবু লাকচনা ৩-০দা চত্থরিবা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

রোশনগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৭৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এঞ্জেল এফ সী থিনুঙ্গৈ অমদি টিৱাইদিএ তৌবুল গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি কে বিশালনা থিনুঙ্গৈ টিমগী ৱাই সন্তোশ অমদি ঐচ বিনোদ শান্নবগী ২৯ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## রোয়ল এফ সী অমদি বোলেরো এফ সী ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রোয়ল এফ সী অন্দ্রোনা রেফরি ১১বু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

রোয়ল এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল রোহিট অমদি অঙৌসনানা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টরদা বোলেরো এফ সী শীংজমৈনা কে আর সী থৌবালবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। বোলেরো এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুভাশ সিঙামনা ২ অদুগা মালেম অমদি পারিথোইনা অমমম্ চনখি।

## শান্নরোয় ৫০না ট্রান্সফর এপ্লাই তৌরকখ্রে


ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)গী সিজন ২০২২-২৩গী প্লেয়র ট্রান্সফরগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নরোয় ৫০না এপ্লাই তৌরকখ্রে।

পি টি আর সীদা ৬; মোদেল ক্লবতা ৫; ওস্কার অমদি ৱাই পি ঐচ য়ুদা ৪/৪; অল অমিন, আই বি এস এ, এস দি সী অমদি পি এস সীদা ৩/৩; রেস, রুল, এস সী সী সী, থাও অমদি ব্লু হোকতা ২/২; সী দি সী, সাইক্লোন, ঈ এস য়ু, ফোর্স, নাপসা, ট্রাও অমদি ৱাই য়ু সী সীদা অমমম্ ট্রান্সফর লাকখি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/1/9-1/10




HL-B/7804/19/8-16/9(alt)



HL-P/1068/25 & 27

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 582

**IM Mahadevan Siva (2349) - IM Anastasia Bodnaruk (2392)**
**Titled Tue 22nd Mar Early chess.com INT (7), 2022.03.22**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 a6 6.Bg5 Nbd7 7.Bc4 Qb6 8.O-O Qc5 9.Bd5 e6 10.Re1 Be7 11.Be3 Qa5 12.Bc4 O-O 13.a3 Qc7 14.Ba2 Ne5 15.Qe2 b5 16.Rad1 Bd7 17.f4 Nc4 18.Bc1 Nxa3 19.e5 dxe5 20.fxe5 Ne8 21.Nd5 exd5 22.bxa3 Be6 23.Kh1 Kh8 24.Rf1 Rc8 25.Rd3 Qa7 26.Be3 Qb7 27.Qh5 g6 28.Qh6 Ng7 29.Bd2 Bd7 30.Nf3 Be6 31.Bg5 f6 32.exf6 Bxf6 33.Re1 Nf5 34.Bxf6+ Rxf6 35.Qg5 Qg7 36.Rd2 Rcf8 37.Bxd5 Bxd5 38.Rxd5 Qf7 39.Rde5 Qc7 40.R5e2 a5 41.Qd2 Qb6 42.Qc3 Qc6 43.Qb2 Kg8 44.Ne5 Qc5 45.Ng4...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 581 Ans. :**

30. ...Nf3+ The black knight attacks White's king, which is defending the square h1. 31. Kf1 Qh1+ 32. Bxh1 Rxh1+ The black rook skewers White's king and rook. 33. Ke2 Rxb1 The black rook captures White's rook, which was defending the square e1. 34. a4 Re1# Arabian mate
30. ...Nf3+ 31. Kf1 Qh1+ 32. Bxh1 Rxh1+ 33. Ke2 Rxb1 34. Nd5 Re1#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com